ANNUAL YAOSHANG SPORTS MEET - 2021

থোংজু ফৈজালৈতোংদা লৈবা ষ্টুদেন্টস ৱেলফেয়র কম্মিটি (এস দব্লিয়ু এফ সী) ক্লবনা চহী খূদিংগী কেলেন্দর পুথোক্তুনা লাকপগী শরুক অমা ওইনা লাক্লিবা কুমজা ২০২২গী ওইনা পুথোকপা কেলেন্দর ক্লব অসিগী শঙলনেদা ফোঙখিবা

DAY POLITICAL CONVENTION
SUPPORT FOR
SHRI SOIBAM SUBHAS CHANDRA SINGH

মালোম তুলিয়াইমা/তুলিহল ইলেক্সন কেম্প্যেন কম্মিটিনা শীন্দুনা মালোম বাজার কম্ম্যুনিটি হোলদা লাক্লিবা এসেমল্লী মীখলদা মীরেপ ওইগদৌরিবা সোইবম সুভাসচন্দ্রগী ওইবা পোলিটিকেল কনফরেন্স

লল্লাই এ সীগী মনুং চন্না লৈবা চনা খুলদা লৈবা খুঞ্জা খরগী য়ুমগী থোঙ্গালদা শকখঙদবশিংনা নোংমৈ মরু থমজিল্লমদুনা অকি অখণ্ড পোকহল্লম্ববু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা চনা কৈথেলদা মীয়াম্না ৱাকৎ মীফম ফমখিবা

WE SUPPORT
Shri Ayangbam Oken Singh
Intending Candidate 16 Sekmai AC
Vision for a Better Change

অফবা অওনবা, চাউখৎপা সেকমাই এ সী অমা পুরক্লবগী পান্দমদা য়ুথশিংগী রেল্লি অমগা লোয়ননা লাক্লিবা এসেমল্লী মীখলদা সেকমাই এ সীদা মীরেপ ওইগদৌরিবা অয়াংবম ওকেনগী মীখলগী কেম্প্যেন হৌদোকখিবা

ৱাঙু বেলি ব্রিজ শেমজিনখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৯ (ঐচ এন এস): ককচিং দিষ্ট্রিক্ট ফাওদুনা চেল্লিবা মণিপুর রিভরগী মথক্তা শাবা য়াম্না মরুওইবা থোং অমা ওইরিবা ৱাঙু বেলি ব্রিজদা থারিবা উপাক্কী ফীভম ফৎত্রবা শরুকশিং ঙসি ৱাঙু গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান লোইতোংবম শরতনা লমদম অদুগী মীয়ামগা লোয়ননা শেমজিনখ্রে।

কুম্বী এসেমল্লী কন্সটিট্যুএন্সি অমদি শুগুনু এসেমল্লী কন্সটিট্যুএন্সি অনীগী মীয়ামগী য়াম্না মরুওইবা থোং অমা ওইবতা নত্তনা মিজেরামদগী চুড়াচন্দপুর ফাওরগা মোরে চৎনরিবা থোং অমনি। থোং অসিদা মাল পুবা গাড়ী কয়া চৎপনা থোং অসিগী উপাকশিং অসিগী ফীভম শোকচিল্লকপনি। মরম অসিনা থোং অসিদা মপাল তাঙদুনা চৎথোক চৎশিন তৌরিবা মীয়ামগী য়াইফনবা খন্দুনা থোং অসি ঙসি উপাক শীন্দুনা শেমজিঞ্জবনি হায়না প্রধান লোইতোংবম শরতনা ফোঙদোরক্লি। লোয়ননা থোং অসিবু মীয়ামদা হেন্না খুদোংচাবা অমা ওইহন্নবগীদমক আর সী সী ব্রিজ অমা ওইনা লৈঙাক্লা শাবীনবা আপীল তৌরক্লি।

অওনবা পুরকপা ঙমগনি: সুভাস

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৯ (ঐচ এন এস): লমদম অসিদা অওনবা অমা পুরক্লবা হোৎনবদা নহা ওইরিবা হৌগৎলক্লিবা মীওইশিংদা এদ্যুকেসন মতীক চানা পীবা মথৌ তাই হায়না খুরাই এসেমল্লি কন্সটিট্যুএন্সীগী ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট হৈস্নাম সুভাসনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি খুরাই নানৈ দবম লৈকায়গী থরোইজম লৈরক্তা লৈবা আর কে ভুমেন্দ্রোগী য়ুমদা পাঙথোকখিবা বুথ লেভেল পোলিটিকেল কনফরেন্সকা মরী লৈনবা থৌরমদা ফোঙদোকখিবনি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা মহাক্না মখা তারদুনা হায়, খুরাই এ সীগী ৩/২৭তা ঙসি পাঙথোক্লিবা মীফম অসিগুম্না এ সী অসিগী তোঙান তোঙানবা বুথ লেভেলশিংদসু পাঙথোকখ্রে। মীফম অসিদা লাক্কদৌরিবা ইলেক্সনদা করি-করম্বা ৱাফমশিং মীয়াম্না পাল্লি হায়বা ৱাখল্লোনশিং পুথোক্লদুনা তাথোক-তাশিন তৌদুনা অৱাৎ-অপা লৈতবা এ সী অমা ওইনবগী পান্দমদা পাঙথোকপা মীফম অমনি। এ সী অসিগী হান্নগী এম এল এশিংনা মীয়ামগী ফংফম থোকপা চাকথুংশিং অমদি খুদোংচাবশিং অমত্তা মতিক চানা ফংহনখিবা লৈত্রি। মরম অদুনা খুরাই এ সী অসিসু ইম্ফাল ময়োলদা লৈরবসু শোথনা লৈরল্লিবনি। মতম অমদা মমিং চৎলম্বা স্কুল কয়া মুৎখ্রে। অসিগুম্বা অৱাৎ-অপা লৈরিবশিং অসি মেনখৎনবা পূন্না চৎমিন্নসি।

অশিবা হকচাং লৌখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৯ (ঐচ এন এস): হৌখিবা দিসেম্বর ৫গী অয়ুক্তা মশা মথন্তা তুশিনবনি হায়না রাজ মেদিসিটিদা থমজিল্লম্বদগী হৌখিবা দিসেম্বর ১০গী নুমীদাংদা লৈখিদ্রবা সাইকুল এ সীগী এম এল এগী সিক্যুরিটি এস্কোর্ট ওইনা লৈবা মরিশুবা আই আর বিগী রাইফলমেন য়ুম্নাম সঞ্জিৎকী লৌতুনবা মানবা মীহাৎ অসিগী মতাংদা মীহাৎ অসিগী মতাংদা লৈঙাক্না ৱারী শানবদা থাজবা কয়া পীরকপদগী ইমুং-মনুংনা অশিবা হকচাং লৌদুনা লৈখিদ্রবগী অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোকখ্রে হায়না জে এ সী এগেনষ্ট দি ব্রুটেল কিল্লিং ওফ য়ুম্নাম সঞ্জিৎকী কনভেনর গুনমনিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, য়ুম্নাম সঞ্জিৎকী মীশিগী মতাংদা অশেংবা লংলা-লংজিল অমা ফংননবা ঙসি ফাওবা অশিবা হকচাং লৌদনা লাকপা অদু এদ্যুকেসন মিনিষ্টর এস রাজেনগী মতেংগা লোয়ননা এস পি ইম্ফাল ৱেষ্ট, এস দি পি ও লম্ফেল য়াওনা চীফ মিনিষ্টরগা জে এ সী অমদি ইমুং মনুংগী মীওইশিংগা উনবদা লৈখিদ্রবগী লোয়নবীদা চান্নবা থবক অমা পীবা অমদি ইমুং মনুংদা পাংবা য়াবা মতেং পাংগনি হায়না থাজবা পীবদা নত্তনা মীশি অসিদা চেন্নরম্বশিংগী মথক্তা এক্সন লৌখৎকনি হায়না থাজবা পীরক্লে হায়নসু চেরোলদুনা ফোঙদোরক্লি।

শেলনা ভোটরশিংবু লৈরগা মায় পাক্কনি হায়না মীখল থেংনরিবশিং মীহুৎ ওইনা থাগৎকুমসি : আর কে আনন্দ

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৯ (ঐচ এন এস): ক্রিমিনেল বেকগ্রাউন্দ লৈবা মীয়ামগী লন-থুম মৎতুনা শেন্দাল লম্বী ওইরগা শেল পায়রবনি হায়দুনা শেলনা ভোটরশিংবু লৈরগা মায় পাক্কনি হায়না মীখল থেংনরিবশিং এসেমল্লীদা মীয়ামগী মীহুৎ ওইনা থাগৎকুমসি হায়না নাওরিয়া পাখংলাকপা এ সীদা বি জে পিগী মীরেপ ওইননবা থৌরাং তৌরিবা এক্স-এম এল এ, আর কে আনন্দনা ফোঙদোকখ্রে।

এক্সটেন্সিভ গ্রোথ এন্দ দিভেলপমেন্ট, ইম্পৱার ৱিমেন এন্দ য়ুথ ফোর পেট্রিওটিজম এন্দ নেসনেলিজম, ষ্ট্রিমলাইন দি পব্লিক স্কিমস ৱিথ ফোকস ওন ফুদ সিক্যুরিটি, দিফেন্দ হ্যুমেন রাইটস এন্দ টু প্রোটেক্ট ইন্দিজিনস পিপলস ওফ মণিপুর, রুট আউট দি দ্রগ মিনান্স হায়বা পান্দমদা ইলেক্সন কোওর্দিনেটিং কম্মিটি নাওরিয়া পাখংলাকপা এ সীনা 'ফোর এ ফ্যুচর ৱিথ এ ভিজন, প্লিস সপোর্ট আর কে আনন্দ' হায়না নাওরিয়া পাখংলাকপা এ সী শিনবা থুংনা চথুগদবা পোষ্টর কেম্প্যেন অমা বি জে পিগী ষ্টেট এগজিক্যুটিভ মেম্বরসু ওইরিবা আর কে আনন্দনা ঙসি ক্বাকৈথেল অখাম লৈকায়দা লৈবা মহাক্কী য়ুমদগী হৌদোক্লদুনা মথক্কী ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না মখা তানা হায়খি, মীয়াম্না লমচৎ-শাজৎ ফজবা, মরৈবাক নুংশিবা, ক্রিমিনেল বেকগ্রাউন্দ লৈতবা মীয়াম্না য়াবা অফবা মীহুৎ থাগৎসি। শেলনা ভোটরশিংবু লৈরগা মায় পাক্কনি হায়না খল্লিবশিংদগী এ সী অসিগী মীয়াম অমদি মণিপুর মীয়াম্না চেকশিনবীয়ু। শেলনা ভোটরশিংবু লৈরগা মায় পাক্কনি খল্লিবশিং মীয়াম্না লাক্লিবা মীখল অসিদা অচৌবা পারা তম্বীরসি। ক্রিমিনেলগী ৱাখল্লোন চেনবা মীওইনা পোলিটিক্সতা চঙবীরক্নু। লাক্লিবা মীখল অসি মণিপুর কন্ননবগীদমক অচুম্বা তৌবশিংগা মণিপুর নুংশিবগী ৱাখল্লোন চেন্দবা, অরানবা তৌবশিংগী মরক্তা থেংনগদবা মীখলনি। বি জে পি লৈঙাক্লা মণিপুর মীয়ামগী য়াইফননবা খল্লগা য়াইফ থৌরাংগী থবক কয়া পায়খৎলক্লি। মীয়ামগী অনিংবা অপাম্বা অমদি তৌহন্নিংবা থবক কয়াগী মতাংদা মেনিফেষ্টোদা হাপহন্নিংবা ৱাফমশিং অখণ্ড-অহে অমদি এক্সপার্ট কয়াগী ওপিনিয়ন লৌরিবা অসি বি জে পিগী য়াম্না ফজবা থৌওংনি। নাওরিয়া পাখংলাকপা এ সীগী মীয়ামগী অনিংবা অপাম্বশিং নীংথিনা খঙদোকপগা লোয়ননা এ সী অসিদা মীরেপ ওইবগী নুংগী ওইব ৱাখল্লোন অদু থম্লদুনা ঙসিগী পোষ্টর কেম্প্যেন অসি হৌদোকপনি। মীওইবগী রাইট কনমিন্নবা, ময়াই কাবা চিঞাক থিংননবা হোৎনবা, দ্রগ লল্লোনবশিংবু দেথ পেনাল্টি পীদুনা হৌরক্লিবা মীরোলবু কন্ননবা হোৎনবা অমদি লমদমসিদা খুন্দামিন্নরিবা চীংমী-তম্মীগী নুংশিনবা মরী অদু হেন্না চেৎশিন্নহন্দুনা অপূনবগী শক্তম ঙাকপা হায়বসি থবক ওইনা পাঙথোক্কবা হোৎনগনি। লাক্লিবা মীখল অসি য়াম্না মরুওইবা মীখল অমনি। মণিপুর কনবগা মরী লৈননা মাঙদা ইস্যু কয়া তাদুনা লৈরি। মরম অসিনা মীয়ামগী খন্দুনা ইস্যু কয়া অসিবু থেংনবা ঙমগদবা অফবা মীহুৎ খনবীয়ু। মণিপুর কন্ননবা বি জে পিদা ভোট পীবীয়ু। ঙাইহাক্কী খুদোংচাবা ফংবদা য়েংলগা ভোট পীবীগনু হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

পোষ্টর কেম্প্যেন অদু হৌদোকখিবগা লোয়ননা এক্স-এম এল এ, আর কে আনন্দনা নাওরিয়া পাখংলাকপা এ সীগী মনুং চন্না লৈবা শিন্মী কয়াদসু ঈ-শ্রম কার্দশিং য়েন্থোকখি।

য়ুথশিংনা রেল্লি চৎতুনা অয়াংবম ওকেনগী মীখলগী কেম্প্যেন হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৯ (ঐচ এন এস): অফবা অওনবা, চাউখৎপা সেকমাই এ সী অমা পুরক্লবগী পান্দমদা য়ুথশিংগী ওইবা রেল্লি অমগা লোয়ননা লাক্লিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমল্লীগী মীখলদা এ সী অসিদা মীরেপ ওইগদৌরিবা অয়াংবম ওকেনগী মীখলগী কেম্প্যেন ঙসি হৌদোকখ্রে।

সেকমাই এ সীগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈরিবা পোল্লিং ষ্টেসন খূদিংমক্তা চথুগদবা য়ুথশিংগী ওইবা মীখলগী কেম্প্যেন অসি ঙসি সেকমাই বোট্টলিং প্লান্ট মনাক্তা লৈবা কংলাতোম্বী দিস্পেরিদা লৈবা অয়াংবম ওকেনগী য়ুম অমসুং কংলাতোম্বী মায়কৈদগী হৌরগা সেকমাই এ সীবু কনবা হায়বা পান্দমদা এ সী অসিগী মফম শিনবা থুংনা গাড়ীগী রেল্লি চৎতুনা ৱি সপোর্ট অয়াংবম ওকেন হায়না থাবা পোষ্টর কেম্প্যেন অমসু চথুখি।

মীখলগী কেম্প্যেন অদু হৌদোক্লদুনা লাক্লিবা এসেমল্লী মীখলদা সেকমাই এ সীদা মীরেপ ওইগদৌরিবা অয়াংবম ওকেননা হায়খি, সেকমাই এ সী অসি হীরম কয়াদা শোত্থবা এ সী অমা ওইরি। সেকমাই এ সীবু হীরম খূদিংদা চাউখৎপা এ সী অমা ওইহন্নবগী পান্দমদা লাক্লিবা এসেমল্লী মীখল অসি থেংননবা মীরেপ ওইনা চোংথোরকপনি। এ সী অসিগী মনুংদা লৈরিবা খুঙ্গং খূদিংমকপু চপ মান্নবা মীৎয়েং অমগা লোয়ননা থোং মান্ননা চাউখৎপা পুরক্লবা পান্দমদা মীখল অসি থেংনগনি। মীয়ামগী চাউখৎ থৌরাংগী থবক খূদিংমক মীয়ামগা তান্নরগা পাঙথোক্কনি। অফবা অওনবা সেকমাই এ সী অমা ওইহন্ননবগীদমক এ সী অসিগী মীয়াম্না লাক্লিবা মীখল অসিদা শৌগৎপীরক্লি। লাক্লিবা এসেমল্লী মীখল অসিদা মীরেপ ওইদবা য়ারোই হায়বগা লোয়ননা সেকমাই এ সী কন্দবা য়ারোই হায়না সপোর্ট তৌরক্লিবা এ সী অসিগী মীয়াম্বুসু থাগৎপা ফোঙদোকচরি।

মথং চহীগী অঙনবা শরুক্তা পাঙথোক্কদৌরিবা এসেমল্লী মীখল অসিদা করিগুম্বা মায় পাক্লবদি মীয়ামগী লন ওইগদৌরিবা এ সী অসিগী লম্বী-থোং পুম্নমক ক্বালিটি লৈনা শেমগৎ-শাগৎকনি। মোনিটরিং টিমনচিংবা শেমদুনা ক্বালিটি লৈনা থবক তৌগনি। এ সী অসিদা লৈরিবা লৌমী-শিন্নী কয়াগী য়াইফনবা থৌশিল থৌরাং কয়া লৌখৎকনি। সেকমাই এ সীদা লৈরিবা ইমুং খূদিংমক্কী শেল-থুমগী ফীভম অমদি পুন্সি মহিং ফগৎহন্ননবসু অঙম্বা থাক্তা হোৎনগনি। মীখল অসি মীয়ামগা তান্নরগা নেসনল পার্টি অমদগী মীখল থেংনগনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

অৱাবা ফোঙদোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৯ (ঐচ এন এস): জিরি ইমা মৈরা পায়বী অপূনবা লূপ (জিম্পাল)গী প্রসিদেন্ট ওইবদা নত্তনা কাদা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী ফাউন্দর প্রসিদেন্টসু ওইরম্বী হুইরেম ওংবী মেম্মা দেবীনা খঙহৌদনা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোকপগী মীফম অমা তরাহৈ য়ুথ দিভেলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন (টি ৱাই দি ও)গী থৌমীশিংনা ঙসি পাঙথোকখ্রে হায়না টি ৱাই দি ওগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি বি এম রসিদ অলিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, সোসল এক্টিভিষ্ট বি এম য়াইমনা প্রিসাইদ তৌদুনা লূপ অসিগী শঙলেনদা পাঙথোকখিবা মীফম অসিদা শরুক য়াখিবশিংনা মিনিট অনী তুমীন্না লেপ্পুনা অৱাবা ফোঙদোকখি। লোয়ননা ইমা মেম্মনা হিংলিঙৈ মতমদা জিরিবামগীদা নত্তনা ইমা লৈবাক মণিপুরগী অপূনবগীদমক লৌরম্বা থৌদাংশিংবু নৌহৌননা নীংশিংখি। লোয়ননা লৈখিদ্রবগী ইমুং-মনুংনা নংহৌরিবা অৱাবদসু শরুক য়াজরি হায়রি।

নোংমগী ওইবা পব্লিক কন্সল্টেসন প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৯ (ঐচ এন এস): বি জে পি এৱেয়র্নেস কেম্প্যেন কম্মিটি পাৎশোই মন্দলনা শীন্দুনা নোংমগী ওইবা পব্লিক কন্সল্টেসন প্রোগ্রাম অমা ঙসি তাকয়েল কোলোম লৈকায়গী গ্রাউন্দদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা প্রোগ্রম কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট কে ঐচ জয়কুমার, বি জে পি স্পোর্টস সেল মণিপুর প্রদেশকী ষ্টেট কনভেনর ওইবদা নত্তনা লাক্লিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমল্লীগী মীখলদা পাৎশোই এ সীদা বি জে পিগী মীরেপ ওইননবা থৌরাং তৌরিবা দল্লিয়ু ইবোমচা, বি জে পি পাৎশোই মন্দলগী ভাইস প্রসিদেন্ট ঐচ নবদ্বিপ, বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ষ্টেট কাউন্সীল্লর আই রাজেন, বি জে পি এ সী সী পি এমগী ভাইস প্রসিদেন্ট কে বিরেন, কে ঐচ কির্টি অমদি জেনরেল সেক্রেটরি টি ঐচ সোমেন্দ্রোনা মথংশিংনা থৌরম মপু অমদি অখন্নবা লেংবীরকপা ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা বি জে পি স্পোর্টস সেল মণিপুর প্রদেশকী ষ্টেট কনভেনর ওইবদা নত্তনা পাৎশোই এ সীদা বি জে পিগী মীরেপ ওইননবা থৌরাং তৌরিবা দল্লিয়ু ইবোমচানা হায়খি, লাক্লিবা কুমজা ২০২২গী অঙনবা শরুক্তা পাঙথোক্কদৌরিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমল্লীগী মীখলদা পাৎশোই এ সীগী ওইনা বি জে পিগী মীরেপ অমা শুংশোয় শোয়দনা মায় পাকহন্ননবা পান্দমদা মীয়ামগী মীফম অসি পাঙথোকপনি। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী লীচিং মখাদা লমদম অসিদা অফবা বি জে পিগী লৈঙাক মখা তানা লাক্লবা হোৎনবনি। পাৎশোই এ সীদগীসু বি জে পিগী মীরেপ মায় পাকহন্দুনা বি জে পিগী লৈঙাক অসিদা য়াওবগা লোয়ননা অওনবা মণিপুর অমা পুরক্লবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌমিন্নসি। এ সী অসিদগী বি জে পিগী মীহুৎ কাহন্দবা য়াদে হায়বসি এ সী অসিগী মীয়ামগী অপাম্বনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

কম্ম্যুনিটি লিদরশিংগা উনবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৯ (ঐচ এন এস): বি জে পি মাইনোরিটি মোর্চাগী নেসনল প্রসিদেন্ট জনাব জমাল সিদ্দিক্যুইনা অমদি কম্ম্যুনিটি লিদরশিংগা উনদুনা তালিম (এদ্যুকেসন) অমদি তিজরাট (ট্রেদ)কী থৌরম অমা ঙসি বি জে পি লিলোং মন্দলগী ওফিসতা পাঙথোকখ্রে।

ভারতিয়া জনতা পার্টি মণিপুর প্রদেশনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা নেসনল প্রসিদেন্ট জনাব জমাল সিদ্দিক্যুই, বি জে পি মাইনোরিটি মোর্চা মণিপুর প্রদেশকী ইন-চার্জ প্রতীক ইদৰিন, প্রসিদেন্ট অস্কর অলি, বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী এগজিক্যুটিভ মেম্বর অনৱার হুসেন অমদি বি জে পি লিলোং মন্দলগী প্রসিদেন্ট অহমেদ অলিনা প্রসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা জমাল সিদ্দিক্যুইনা হায়খি, বি জে পি লৈবাক অসিগী মীপুম খূদিংমক্কী ৱাখল খনবা ঙম্বা, লৈবাকসিগী চাউখৎ থৌরাংদা য়ুম্ফম ওইবা পার্টি অমনি। মসিমক্না ঙসি মালেমদা খ্বাইদগী চাউবা পার্টি অমা ওইবা ঙম্লিবনি। পার্টি অসিগী মথক্তা অরানবা ৱাফমদা য়ুম্ফম ওইরগা অতোপ্পা পার্টি খরনা লান্না উহন্নবা হোৎনরম্বা অদুসু ঙসিদি লৈত্রে। মসি বি জে পিনা মীয়ামগীদমক্তা তৌরক্লিবা থবক থৌরমশিং অসিনা মীয়াম্না পার্টি অসিবু ময়েক শেংনা খঙলকপদগীনি। ইস্লাম লাইনিং চৎপশিং অসি তালিম অমদি খন্ন-নৈনবা অসি মৈহৌরোলদগী হৌনা তৌরক্লি। বি জে পিগী মতাংদসু নৈনবীয়ু। লোয়ননা মীয়ামগী য়াইফনবা খক্তদা য়ুম্ফম ওইবা পার্টি অসিগী মপাঙ্গল হেন্না কনখৎহন্দুনা লাক্কদৌরিবা মীখল অসিদা পার্টি অসিনা চাউনা মায় পাকহনসি হায়না মীয়ামদা আপীল তৌখি।

অমরোমদা, থৌবাল অচৌবা মান্দপতসু থৌবাল, ৱাংখেম অমদি লিলোং এসেমল্লী কন্সটিট্যুএন্সিগী অপূনবা বুথ কম্মিটিগী মীফম অমসু পাঙথোকখি।

নাইদিয়া, দীপি চনু তরাম্না ওকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৯ (ঐচ এন এস): য়ুনিয়ন পব্লিক সর্ভিস কম্মিসন (য়ু পি এস সী)না লৌবা সিভিল সর্ভিসেস এগজামিনেসন ২০২০দা মায় পাক্লক্তুনা ইন্দিয়ন এদমিনিষ্ট্রেটিভ সর্ভিস (আই এ এস) অমদি ইন্দিয়ন পুলিস সর্ভিস (আই পি এস) ফংলকখ্রবী মথংশিংনা ৱাইখোম নাইদিয়া অমদি ক্ষেত্রিময়ুম দীপি চনু অনীবু হরাও তরাম্না ওকপগী থৌরম অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

রিপ্রজেন্টেটিভ ওফ লোয়স (আর ও এল) ককচিংগী ককচিং চুম্নাং লৈকায়দা লৈবা মীপুনশঙদা পাঙথোকখিবা হরাও তরাম্না ওকপগী অচম্বা থৌরম অদুদা আর ও এল ককচিংগী প্রসিদেন্ট ডা. টি ঐচ ওজিৎ অমদি আর ও এল ককচিংগী ভাইস প্রসিদেন্ট কে এস ঐচ ইবোবী অনীনা থৌরম মপুশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরমগী ৱাহৌদোক পীরদুনা আর ও এলগী সেক্রেটরি এম শামুনা হায়খি, ককচিং লমদম অসিদগী য়ু পি এস সীনা লৌবা লেমজনিংঙাই ওইরবা সিভিল সর্ভিসেস এগজামিনেসনদা মায় পাক্লক্তুনা ককচিং লমদমগী মীংচৎ পুরকপখক নত্তনা লৈঙাক্লোন্দা য়াওরকপদা মখোয় অদুবু পূক্লিং থৌগৎপা ওইনা য়ু পি এস সীনা লৌবা সিভিল সর্ভিসেস এগজামিনেসন মায় পাক্লকখ্রবশিংবু ওক্তুনা লাক্লি। সিভিল সর্ভিসেস এগজামিনেসনদা মায় পাক্লক্তুনা আই এ এস, আই পি এস অমদি তোঙান তোঙানবা সর্ভিস ফংদুনা মীয়ামগী থৌগল তৌবদা হেন্না মায় পাকপা ওইনবা আর ও এলনা য়াইফ থৌজাল পীদুনা লাক্লি। চহী অসিগী ওইনসু আই এ এস ফংলক্লবী ৱাইখোম নাইদিয়া অমদি আই পি এস ফংলক্লবী কে এস ঐচ দীপি চনুবু হরাও তরাম্না ওকচদুনা আর ও এলগী মায়কৈদগী খুদোলপোৎ পীজবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা আই এ এস অমদি আই পি এস ফংলকখ্রবী ৱাইখোম নাইদিয়া অমদি ক্ষেত্রিময়ুম দীপি চনু মখোয়গী ট্রেনিং হৌখিবনা শরুক য়াবা ঙমদবদগী মখোয়গী ইমুং-মনুংগী খুথাংদা আর ও এল ককচিংগী মায়কৈদগী মমেন্টোশিং খুৎশিন্নখি।

লাইরিক অনী ফোঙখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৯ (ঐচ এন এস): রাইটর্স ফোরম ইম্ফালনা শীন্দুনা ওল্ড এসেমল্লী বিল্ডিংগী ম্যুজিয়ম এন্দ আর্কাইভস হোলদা ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা গুরদিয়াল সিংহগী নোভেল অনহে ঘোরে দা দাণ (অলম্স ইন দ নেম ওব ব্লাইন্দ হোর্স)পু লাইশ্রম সোমোরেন্দ্রোনা মণিপুরদা *মীৎতাঙবা শগোলগী মিংদা অঙম্বা কৎপীয়ু* হায়না মিংথোন্দুনা হন্দোকপা লাইরিক ফোঙখ্রে। থৌরম অদুগা মরী লৈননা সাহিত্যগী পাউ (১১০-১১৫)শুবা মশীংসু ফোঙখ্রে।

থৌরমদুদা রাইটর্স ফোরম ইম্ফালগী প্রসিদেন্ট কৈশাম প্রিয়োকুমার অমসুং রাইটর্স ফোরম ইম্ফালগী ভাইস প্রসিদেন্ট য়ুম্লেম্বম ইবোমচানা থৌরম মপুশিং ওইনা শরুক য়াখি। অদুগা সী সী হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী লেকচরর ডা. লোংজম সঙ্গীতানা ঙসি ফোঙখিবা লাইরিক অদুগী মরমদা ৱা ঙাংখি।

অমরোমদা, লৈমরোল খোজে 'কোল (লৈকোল)না শীন্দুনা মতম অমগী ফিল্ম এক্টর য়েংখোম রমানা ইবা শৈরেংগী লাইরিক ৱাখলগী য়েন্নিং ফোঙখ্রে। এম দি য়ুদা পাঙথোকখিবা লাইরিক ফোঙবগী থৌরম অদুদা মণিপুর ৱিমেন কম্মিসনগী হান্নগী চেয়রপর্সন প্রো. চোংথাম যামিনিনা অথোইবা লেংবীরকপী, লৈমরোল খোর্জেকোলগী প্রসিদেন্ট ক্ষেত্রিময়ুম সুবদনীনা থৌরম মপু অমসুং মণিপুরী লেংগ্বেজ এদভাইজরি বোর্দ সাহিত্য একাদেমীগী কনভেনর নোংমাইথেম কিরনকুমার অমসুং এম য়ুগী স্কুল ওফ হ্যুমেনিটিজকী দিন প্রো. নহাকপম অরুনানা অখন্নবা লেংবীরকপশিং ওইনা শরুক য়াখি।

ৱাখল তামিন্নবগী খোঙজং হৌখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৯ (ঐচ এন এস): ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা মরুওইবা পাৎশিংদা এন মুনাল মৈতৈ, এ সী এফ অমদি ককচিং রেঞ্জকী মখাদা লৈবা বিট ওফিসশিংগা লোয়ননা লেপ্পুনা চঙশিল্লক্লিবা উচেক কনবগী অকনবা দ্রাইভকী মনুং চন্না পাৎশিংগী অকোয়বদা লৈরিবা ক্লবশিংগা ৱাখল তামিন্নবগী মীফমশিং ঙসি পাঙথোকপা হৌখ্রে।

চথখিবা দ্রাইভ অদুদা খরুংপাৎ অমদি ঙাখাপাৎ চেক তৌরবা মতুংদা, হন্দক চহীগী লমকোয় উচেকশিংনা মরাং কায়না থুংলরিবা খোইদুম পাৎকী নোংচুপ থংবা শরুকশিংদা থিবা হুম্বগী থবক চথখি। লোয়ননা পাৎ অসিগী অকোয়বদা লৈরিবা মরুওইবা ক্লবশিং হায়বদি সেকমাইজিন মনিং লৈকায় নহারোল ক্লব, নহারোল দিভেলপমেন্ট ক্লবকী মেম্বরশিং অমদি এক্স-প্রধান ৱাই প্রেমকুমার অমসুং মেম্বর ঈ মেন্না য়াওনা তোঙান তোঙান্না ফম্মিন্নদুনা পাৎ অসিদা তারিবা উচেকশিং অসিবু করম্না কনসিগে অমদি মসিদা দিপার্টমেন্টনা তৌবা য়াবা থৌদাং অমদি ক্লবশিংনা পায়খৎপা য়াবা থবকশিং কুপ্না খন্ন-নৈনবগা লোয়ননা পাৎ অসিদা মমাঙ চহীশিংদগী মশীং হেন্না লাক্লিবা উচেকশিং অসি তুংদসু হেন্না লাক্কনবা হোৎনমিন্নসি হায়বগী অপূনবা ৱারেপ লৌমিন্নখি।

ঙসিগী দ্রাইভতা কোনুমাদগী উচেক লাং ২ অমদি লাংমৈদোং মনিং লৌকোলদগী উচেক লাং ৩সু ফাগৎখি। লোয়ননা শুগুনু ৱাপোকপীদগী শগোলশেম রেমা লৈমনা ঙরাং নুমীদাং শীন্নবীরকখিবা হোঙাই অমসু মফম চাবা য়েংদুনা থাদোকপীখ্রে।

বি জে পিগা কায়নবা লৈত্রি : সোইবম সুভাসচন্দ্র

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৯ (ঐচ এন এস): বি জে পিগী প্রাইমারী মেম্বর ওইনা মীওই লিশিং ৯ লোম পার্টি অসিদা মিং চলহল্লিবা ঐহাক হৌজিক ফাওবদা বি জে পিগা কায়নবা লৈত্রি। লাক্লিবা ১২শুবা এসেমল্লী মীখল অসিদা লাইবক ফরবদি বি জে পিগী মীরেপ ওইনা অমুক হন্না মায় পাক্কনি হায়না এক্স-এম এল এ সোইবম সুভাসচন্দ্রনা ফোঙদোকখ্রে।

মালোম তুলিয়াইমা/তুলিহল ইলেক্সন কেম্প্যেন কম্মিটিনা শীন্দুনা মালোম বাজার কম্ম্যুনিটি হোলদা ঙসি পাঙথোকখিবা মালোম এরিয়াগী ওইবা নোংমগী ওইবা পোলিটিকেল কনফরেন্সতা মথক্কী ৱাফম অসি লাক্লিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমল্লী মীখলদা মীরেপ ওইগদৌরিবা এক্স-এম এল এ সোইবম সুভাসচন্দ্রনা ফোঙদোকখিবনি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা মহাক্না হায়খি, মতম অমদা নাওরিয়া পাখংলাকপা এ সীদা লৈরিবা মফমশিং মথক মখা হায়না খায়দোক্তুনা পোলিটিক্স তৌরম্বা অদু সুভাসচন্দ্রনা এ সী অসিগী মীহুৎ ওইরগদি খক তৌহল্লোই হায়না খঞ্জখিবা অদু হৌজিক হৌজিক টর্ম লোইদ্রিবা এসেমল্লীগী মীখলদা মায় পাক্তুনা চহী ৩ লোম এম এল এ ওইরিঙৈ মতমদা অদুগুম্বা মথক মখা খায়বা পোলিটিক্স অদু মুত্থৎখি। এ সী অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈরিবা পোল্লিং ষ্টেসন খূদিংমক্তা চপ মান্নবা মীৎয়েং থম্বগা লোয়ননা চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিং পায়খৎলমখি। মদুনা মরম ওইরগা লাক্লিবা মীখল অসিদসু এ সী অসিগী পোল্লিং ষ্টেসন খূদিংমক্তগী য়াম্লবা ভোট ফংগনি। মেকোলা এরিয়াদা শাশিন্নবা সর্টিফিকেট পায়দুনা মীখল থেংননবা হোৎনবা মীওই অমনা সুভাসচন্দ্রনা তেল্লবা চহী অহুম মখায়দা তৌখিবা থবক কয়াবু করিসু তৌদবগুম্না মীয়ামদা ওইদ-পাদবা ৱাফম কয়া ফোঙদোরকপা অসি লাইবক থীবনি। এ সী অসিগী মীয়ামগীদমক তৌজখিবা চাউখৎ থৌরাংগী থবক কয়া অদুবু এ সী অসিগী মীয়াম্না মশক খঙবীবগা লোয়ননা শৌগৎপীরকপা অসিনা লাক্লিবা মীখল অসিদসু শুংশোয় শোয়দনা মায় পাক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

এ দি সী বিল এসেমল্লীদা পুথোক্ত্রিঙৈদা এন আর সী হান্না তৌগদবনি : হাওমি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৯ (ঐচ এন এস): ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সীল (বিল) এসেমল্লী পুথোক্ত্রিঙৈদা এন আর সী (নেসনল রেজিষ্টর ওফ সিটিজন্স) হান্না তৌগদবনি হায়না ফেদরেসন ওফ হাওমিগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

ফেদরেসন ওফ হাওমিগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি ডা. লৈশেম্বা মঙাংনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, এ দি সী বিল ২০২১ অসি মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমল্লীদা পুথোক্ত্রিঙৈদা মণিপুরদা এন আর সী হান্না তৌদুনা লমদম অসিদা খুন্দাশিল্লিবা ইল্লিগেল মাইগ্রেন্টশিং হান্না খঙদোক্তুনা মরমদমদা হলহনখিগদবনি। লৈবাক অসিগী য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা কুমজা ২০১৯গী নবেম্বর ২০দা পার্লিয়ামেন্ট সেসনদা এন আর সী অসি ইন্দিয়াগী মফম খূদিংমক্তা চৎনহনগদবনি অমদি এক্সটেন্সন তৌগদবনি হায়না লাউখ্রে। অদুবু চহী অনী হেল্লবা ফাওবদা ইরমদম মণিপুরদদি য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরগী ৱাফমদু ঙসি ফাওবা লৈঙাক অসিনা থবক্তা ওন্থোক্ত্রি।

এ দি সী বিল ২০২১গী চেপ্টর থ্রীগী ফঙ্কসন ওফ ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সীলগী সব-ক্লোস নম্বর ৩১দা 'ইষ্টাব্লিসমেন্ট এন্দ রিকগনিসন ওফ ন্যু ভিলেজেজ ৱিথিন দি রেস্পেক্টিভ ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট ৱিথ কনকরেঞ্জ ওফ দি হিল এরিয়াজ কম্মিটি' হায়না পল্লি। মসিগী সব-ক্লোস অসিনা মাইগ্রেন্টশিংবু খুন্দাহনবদা অচৌবা মতেং পীরগনি। অদুনা মণিপুরদা এন আর সীগী মতুংইন্না নেটিভ পিপল কান্দুনা মাইগ্রেন্টশিংবু চঙজফম পীবা অমদি মপু ওইহনবগা চপ মান্নরে। বিল অসিগী ক্লোজ টুদা য়াওরিবা এপোইন্টমেন্ট ওফ সক্সেসন ওফ চীফস, ইনহেরিটেন্স ওফ প্রোপর্টি, মেরিয়জ এন্দ দাইবোর্স অমসুং সোসল কষ্টমস অসিনা ইন্দিজিনস আইদেন্টিটি, কষ্টমরি রাইটস অমদি ট্রেদিসন এ দি সীনা পায়শিনফম থোক্তে। কুমজা ১৯৪৭তা অপূনবা নাগাগী খুল মশীং অসি ৪৫৩ ওইবা মতমদা কুকিগী খুল মশীংনা ৪১৮ নি। অদুগা কুমজা ২০১৯দা নাগাগী খুল মশীংনা ৮৭৭ ওইবা মতমদা কুকিগী খুল মশীংনা ১৬৭২নি। অদুনা হেনগৎফম থোক্তনা খুল মশীং কা হেনগৎলিবসি করম্না হেনগৎলিবনো হায়বদু লৈঙাক্লা পাউখুম পীফম থোকই। অদুনা এ দি সী বিল খন্নদ্রিঙৈদা এন আর সী হান্না তৌগদবনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

এম এল এ দিঙ্গোনা কম্ম্যুনিটি হোল অমদি লাইব্রেরী হোল শঙ্গাখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৯ (ঐচ এন এস): সেকমাই এসেমল্লী কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এ হৈখাম দিঙ্গোনা এ সী অসিগী মনুং চন্না লৈবা লোইতাং খুনৌ মনিং লৈকায়দা নৌনা শাবা কম্ম্যুনিটি হোল অমদি সর্দার পটেল হায় স্কুল খুরখুলগী কম্প্যুটর রুম কম লাইব্রেরী হোল নোংমত্তদা পুন্না শঙ্গাখ্রে।

কম্ম্যুনিটি হোল শঙ্গাবগী থৌরম অদুগা মরী লৈননা এম এল এ হৈখাম দিঙ্গোনা হায়খি, এম এল হায়বসি মীয়ামগী পাউখোল্লোয়নি। মীয়ামগী থৌগল তৌগে হায়না থোরকপনি। মীয়ামগী নিংথৌ ওইগে হায়না থোরকপা নত্তে। মরম অদুনা এম এল এ খূদিংনা মাগী মাগী এ সীদা লৈরিবা লৈকায়গী, খুঙ্গংগী মীয়ামগী ৱাকৎ তাবা অমদি মীয়াম্বু নুংশিনা লোয়নবা মথৌ তাই। অদুগা ঙল্লোইদবদসু ঙমগনি হায়না ৱাশক্তুনা মীয়াম্বু লান্না লমজিংনবা তৌরোইদবনি। ঙসি শঙ্গাখিবা কম্ম্যুনিটি হোল অসি থারগা লোইতাং খুনৌদা পুন্না কম্ম্যুনিটি হোল অহুম লৈরে হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

কোভিদ পেন্দমিক্কী অনীশুবা ৱেভ মতুংদা হন্দক্তা নৌনা মোইবুং খুনৌ, সঞ্জেনবম, কংলাতোংবীনচিংবা তোঙান তোঙানবা মফম কয়াগী লম্বীশিং কোয়লাস থাখিবা অমদি খুল-খুলগী স্পাইনিং মিল লম্বী শেমজিন-শাজিনখ্রে। মখা তানসু এ সী অসিদা চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিং পায়খৎননবা শেম-শাদুনা লৈরি। কোভিদ পেন্দমিক অসি লাক্লমদ্রবদি সেকমাই এ সী অসি হীরম কয়াদা চাউখৎপা পুরক্তুনা অওনবা কয়া য়াম্না পুরক্লবগে হায়বদু মীয়াম হুপ্না খঙনরমগদবনি। মীয়াম্না নুংশিবীদুনা অমুক হন্না এম এল এ ওইদুনা মীয়ামগী থৌগল তৌবা ফংলবদি সেকমাই এ সীগী লম্বী খূদিংমক চাদা ১০০ কোয়লাস থাবনা অহানবা প্রাইওরিটি ওইগনি হায়না এম এল এ দিঙ্গোনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

প্রোজেক্ট অনী শঙ্গাখিবগী থৌরম অদুদা ময়াংলাংজিং জিলা পরিষদকী মেম্বর কে সোহদেব, ফুল্লৌ জি পিগী প্রধান এম মনিকচান্দ, বি জে পি এ সী মোর্চাগী প্রসিদেন্ট এন জি রঘুমনি, সর্দার পটেল হায় স্কুলগী হেদ মাষ্টর ঐচ প্রিয়োবর্ত অমদি ৱার্দ মেম্বর কয়াসু শরুক য়াখি হায়রি।

ওল্ড পেন্সন সিষ্টম হিঙ্গৎহন্ননবা তকশিনবা হায়না ৱারেপ লৌখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৯ (ঐচ এন এস): ওল ইন্দিয়া ষ্টেট গভর্ণমেন্ট ইমপ্লোয়িজ ফেদরেসনগী মীৎয়েং মখাদা অখিলা কর্নাটকা গভর্ণমেন্ট ইমপ্লোয়িজ ফেদরেসন্না য়ুম্বু ওইদুনা হৌখিবা দিসেম্বর ১১ অমসুং ১২দা বেঙ্গলোরদা নেসনল পেন্সন সিষ্টম অমদি আউটসোর্স ইমপ্লোয়মেন্টকী মতাংদা নেসনল ৱার্কশোপ অমা পাঙথোকখ্রে হায়না মণিপুর গভর্ণমেন্ট সর্ভিসেস ফেদরেসন (এম জি এস এফ)কী জেনরেল সেক্রেটরি পুরুজিৎ লাইরিকয়েংবমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, ৱার্কশোপ অসিদা মণিপুর গভর্ণমেন্ট হায়র সেকেন্দরি লেকচরর ৱেলফেয়র এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট এল ঈশ্বরজিৎ শর্ম্মা অমদি ভাইস প্রসিদেন্ট এল ধনজিৎনা মণিপুর গভর্ণমেন্ট সর্ভিসেস ফেদরেসনগী মীহুৎ ওইনা শরুক য়াখি। ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেট ২৬তগী লাকপা মীহুৎশিংনা শরুক য়ারগা পাঙথোকখিবা ৱার্কশোপ অদুদা নেসনল পেন্সন সিষ্টম (এন পি এস) অমদি আউটসোর্স ইমপ্লোয়মেন্ট মুথৎলগা ওল্ড পেন্সন সিষ্টম হিঙ্গৎহন্ননবা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্ট অমদি ষ্টেট গভর্ণমেন্টশিংদা তকশিন্নবা ৱারেপ লৌখি। ৱার্কশোপ অদু লোইশিনবগী থৌরমদা ওল ইন্দিয়া ষ্টেট গভর্ণমেন্ট ইমপ্লোয়িজ ফেদরেসন (এ আই এস জি ঈ এফ)গী নেসনল প্রসিদেন্ট সুভাস লম্বানা কুমজা ২০২২গী ফেব্রুৱারী ২৩ অমদি ২৪দা নেসন ৱাইদ ষ্ট্রাইক অমা পাঙথোক্কনি হায়না লাউথোকখি। মসিগা মরী লৈননা লাক্লিবা দিসেম্বর ২৫দা পিশুমথোংদা লৈবা পেন্সনর শঙলেনদা কনফরেন্স অমা পাঙথোক্কনি। মসিদা এন পি এস অমদি কন্ট্রেক্ট ইমপ্লোয়ী খূদিংমক্না শরুক য়াবীয়ু হায়নসু চেরোলদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।